থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ওনরেবল সার! হৌরকফমদি কাউগুমসি



ইন্দিয়াগী শান্নবুংদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা পজেঙ ফিরাল থেৎলকপা, মীথোয় মীহেন ওইরকপা চহী ফনা য়াম্লক্লে। পীকখ্রবা ষ্টেট অসিনা চাউখ্রবা ইন্দিয়ন ষ্টেটশিংদা শান্নরোয় খুদোল তৌরকপা ঙসি ঙরাংতা নৎলক্ত্রে। নেসনেল গেমসকী মেদল তেল্লিদা মণিপুরগুম্বা, ইন্দিয়াগী অপুনবা মীয়ামগী চাংদা ০.২২ খক ওইবা, বিন্দু মচা অমগুম্বা ষ্টেট অমনা মকোক ইথং থংলকপা - ইন্দিয়া থবাক য়ৈখিবনি। স্বিমিং পুল হায়বদু ফোতোদা উবা নত্তনা মমী ফাওবা তমদ্রিঙৈ চেম্পিয়ন স্বিম্মর পুথোকখিবনি। হোক্কী ফিল্ড উদ্রিঙৈ, ওলিম্পিয়ন হোক্কী প্লেয়র পুথোকখিবা লমদমনি। থাজবগী ৱাংমদা রাজা ভলেন্দ্র সিংহ ত্রোফি লৌখিবনি। নুমিত্তুদই হৌরগা, পন্দাল লোম্না কারুবা, তপ্না তপ্না কুমথরক্লি। অমুক চেম্পিয়ন ওইরকপা, থাপতোকখ্রবা মঙলান ওইরক্লে। ফুটবোলগী লমদসু, সন্তোস ত্রোফি লৌদুনা নেসনেল চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা ষ্টেট অসি ঙসিদি, চেম্পিয়নসিপ অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙম্লক্ত্রে। স্পোর্টসকী পাৱর হাউজ অমনা পাৱর য়াওরক্তবা অসিদা নুংনাংলিবসি কনানো? প্লেয়র? পেরেন্তস? প্রোমোতরস? মখোয় কনাসু ৱাবীদে। ৱাজরিবদি - শান্নরোয়সু নত্তবা, প্রোমোতরসু নত্তবা, শান্নবই থৌগায় পুরিবা মন্ত্রিদুসু নত্তবা শান্নববু নুংশিজবা, মীরমগী শান্নরোয় মায়থীবা পীদুনা মায় পাকপদু উরগা খুবাক খুদুনা হরাওরিবা মখোয়দুনি।

পূম্নমকসি করিদইনো? লৈরমদবা স্বিমিং পুল, হোক্কী ষ্টেদিয়ম, সাইকল ভেলোদ্রোম ... খিন্দুনা থম্লে মীৎমাঙদা। কাবক কাবকপা নত্তবা, ৱর্ল্ড ক্লাসনি হায়রিবা। মরাঙ কায়রে ফুটবোল ফিল্ড। ওলিম্পিক স্পোর্টস অয়াম্বা মফম অমত্তদা প্রাক্তিস তৌফম খুদোংচাবা ফঙবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকুম্বা সেন্তর অমা, মালেমগী মফম অমত্তদা লৈতে। অদুগা ’সিমত্তংগা হায়বদা পকচগনি, মদুদি ...‘খ্বায়দগী ফজবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স, খ্বাইদগী ফত্তনা মেনেজ তৌবা’ ...। চুম্নগী ফিদম্নফম ওইবা স্পোর্টস সেন্তর অমা ওইহনবতা নত্তনা স্পোর্টস তুরিজমগী তুরিষ্ট স্পোৎ অমসু ওইহল্লম্বা য়াবনি। অদুবু ওইহল্লে য়েংহৈদবা মফম অমা।

ৱারৌবীনু, ফহন্নীংবই হায়বনি। চৎলুবা উরুবা কৌবনা, মীগীদা ওইহৌরিবা শক্তমদু নীংশিংগনু য়াদেদো। হাকুম উখিবা শক্তমদু কুমশি অমুক য়েংলুবা, অঙকপা ফংনা হোংলম্মী। ঐখোয়গী খুমন লম্পাক্ত্রা, হাকুমদগী কুমশিনা হেন্না ফিবম শোকচিল্লি, নোংমৈদি য়েংবা য়াদদুনা রিপ্যার অমুক তৌগনি, ক্রোর খরা থাদনি। থিকাদার, পোলিতিসিয়নশিংগী শেন্দোংদুসু মাঙদবা, প্লেয়রশিংগী পর্ফোমেন্স হেনগৎহনবদসু তেঙবাংবা, ৱাৎলিবা ইক্বিপমেন্ত ময়ামসি লৈবীবদি করি কায়বগে? দিসিপ্লিন অম’নিগী ৱা নত্তে, লৈরিবা দিসিপ্লিন পূম্নমক্কীনি- মতমসিগা চূনবা ত্রেনিং ইক্বিপমেন্ত অমত্তা লৈতবনি। লৈনবসু হোৎনদে। য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্তস দিপার্তমেন্তকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্লিবা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টসকী রিগ্যুলর কোচিং সেন্তরশিং নোংমতা চত্তুনা য়েংবীরুচো। চুম্না য়েংলগা লাকপীনু, কোচিং প্রোগ্রাম অদু য়েংশিল্লিবা কোচ অদু খঙহন্দনা, প্লেয়র অঙাংশিং অদুগা অমুক্তা ৱারী শাবীরকউ। ইতিং তিংনা, হৈ মহীরা কৈনো অমা থকমিন্নরগা। মখোয়বু কনানা ময়ুমদুদা থিরবগে? ময়ুমদগী সেন্তরফাও লাকপগী বস/ওটো/রিক্সো ভারা কনানা পীবগে? শান্নবগী মফি-মরোল কনানা লৈবীবগে? ত্রেনিং মনুং, ৱারক্লবা মতমদা ত্রেনিং পীরিবা ওজানা করি করি পীজবগে? শঙ্গোম! য়েরুম! লফোয়! জুস! নৎত্রগা মিনরেল ৱাতর! কনানা লৈবীবগে? পূম্নমক্তু লৈনবা মমা মপানা নুংতিগী শেল পীবরা? মমা, নৎত্রগা মপা! করি থবক তৌবগে? সরকারগী থবক তৌদ্রগা, শেল থোকপা করি থবক তৌবগে? দোক্তর/এঞ্জিনিয়র/প্রোফেসর কনাগী মচা য়াওবগে? মোতোর, কার তোংদুনা আর সী সীদা থিল্লকপা প্লেয়র কয়া য়াওবগে? ৱাহংশিংদুগী পাউখুম তারগা শক্লাকপা ঙমব্রা য়েংবীয়ু - করম্বা ইমুংগী মচা মশুনো, শান্নববু শীনফম ওইনা পায়হনগে খল্লক্লিবা? অদুগা, শান্নবগী দিপার্তমেন্ত অসিনা, মশানা লিংজবা কোচিং/ত্রেনিং সেন্তর অদুদা লৈরিবা অঙাংশিং অদুবু করম্বা মীৎয়েং য়েংবগে? পাউখুমদুসু ফংগনি - সেন্তরদুগী অঙাংশিং কৈদৌঙৈ ইন্তরনেসনেলগী থাক্তা কাগনি? হোয়, দিপার্তমেন্তকী ওফিসরশিং থেংনরবদি হায়রক্কনি- দিপার্তমেন্ত অসিনা চলাইবা নেসনেল স্পোর্তস একাদেমি লৈ, মফমদুদা শান্নরোয়শিং নীংথিনা য়োকপী থাকপীরি, অফবা প্লেয়রওইহল্লি। অদু ওইরবদি হায়নিংই- রিগ্যুলর কোচিং সেন্তর মুখৎলু। অঙাংশিংবু মাঙহনগনু।

অসিনসু লোইবা নত্তে। পূম্নমক্না খঙনরে - মণিপুরগী মীংচৎ পুরকপা শান্নরোয় অয়াম্বদি খুঙ্গং-খুনয়া, লোইজিং-লোয়াদগীনি। মখোয়গী তেলেন্ত শকখঙবীগদবা, তেলেন্ত-হন্ত তৌরগা বেসিক ত্রেনিং পীগদবা - দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্তস ওফিসর অমদি মহাক্কী কোচ তিম, করম্বা দিষ্ট্রিক্টতা করি তৌরিবগে? মশকনাইবা অমত্তং পুথোক্তুনা মীং পনবীরক্লবা, ময়াম চঙদুনা মনা পীসি। হায়জনিংবা ৱাফমদি - দিষ্ট্রিক্ট অমদি সব-দিভিজনেল হেদ ক্বার্তরশিংদা শান্নবগী অখন্নবা দিপার্তমেন্ত অমা লৈ হায়বগী মমী তাদবা অসিনি। কনভেন্ত স্কুলদা হৌরকপা, মেতরিঅল ৱর্ল্ডদা লূখ্রবা অর্বান লাইফ অসিদা নর্সরি থাক্কী স্পোর্তস তেলেন্ত ফংলোই। ৱাই এ এসকী খুমন লম্পাক্তা কনফাইন তৌবা ফঙ্কসনেল ষ্টাইল হোংগদবনি।

পূম্নমকসিগী মথক্তা গভর্নমেন্টকী স্পোর্তস পোলিসি শেমদুনা, মণিপুর ষ্টেট গেমস নৌনা অমুক হৌদোকপা, খ্বাইদই তঙায়ফদবা অমনি। ঐখোয়গী স্পোর্তস মিনিষ্টর, সেক্রেতরিয়েতকী ওফিস ৱাংমদা, শান্নবুংদা কোয়থোকপীয়ু। রাজ্যবর্ধন রাথোরনা শান্নরোয়শিংগী মীহুল খঙবিবসিগুম, লেতপাউ অমদি বিরেন শান্নরোয় ওইনা হৌরকপনি। শান্নরোয়বু নুংশি হায়বদু অমুক্তংদি উৎথোক্লম্বা ফবনি। হায়নৈদনা ‘অওনবা কয়া লাক্লবসু মীওইবনা কাউরোইদবদি হৌরকফমনি।’

লৌশিং পুক্কৈ

# চহী নৌনা থাগী খোঙকাপ খমখিবা



মশাগী চহী ৪০ শুদ্রিঙৈদা থাগী খোঙকাপ খমখিবা নুপীশিং শরূ শোন্থরকই অমসুং শরূ তেকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। হায়রিবা নুপীশিং অদু কেলসিয়ম অমদি ভিটামিন-দি ফনা য়াম্না চারবসু থোইদোক্লা কান্নবা ফংদে হায়রি।

ৱিমেন’স হেল্থ ইনিসিয়েটিব (দব্লিয়ু ঐচ আই) ট্রায়লগী শরুক অমা ওইনা নুপী ২২,০০০ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা মশাগী চহী ৪০ শুদ্রিঙৈদা থাগী খোঙখাপ খমখিবা নুপীশিং শরূ তেক্কল্লি হায়বা খঙলকখিবনি।

নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটি (এন এ এম এস) গী জোন এন পিঙ্করটননা হায়খি, কেলসিয়ম অমদি ভিটামিন-দি সপ্লিমেন্ট পীজবগা লোয়ননা হোর্মোন থেরাপি চথদুনা শরূগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

অনা-লায়েংবগী শিনফমদা লৈরিবশিংনা লায়েংবগী থৌরাং লৌখৎপা মতমদা নুপী ওইবীশিংবু মশাগী চহী কয়া শুরকপদা থাগী খোঙকাপ খমখিবগে হায়বদু খঙদোকপা য়াম্নমক তঙাইফদে। চহী নৌনা থাগী খোঙকাপ খমখ্রবদি হার্ট দিজিজ অমসুং ওষ্টিওপোরোসিসকী রিস্ক ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থখি অমসুং তোয়না ৱাখল হোংহল্লি। শরূ শোন্থরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা মায়োক্লবা নুপীশিংনা নুমীৎ খুদিংগী কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ১২০০ অমসুং ভিটামিন দি মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই। ফূদ সপ্লিমেন্ট ওইনা চাবা কেলসিয়মনা নুপীশিংদা এথরোসক্লেরোটিক প্লেক হেনগৎহন্নবা মরম্না য়ারিবমখৈ নুমীৎ খুদিংগী চারিবা চীঙ্গাক্তগী কেলসিয়ম অমসুং ভিটামিন-দি মরাং কায়না ফংনবা হোৎনগদবনি হায়না পিঙ্করটননা ফোঙদোকখি।

নুপী ওইবী খুদিংমক পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা মেনোপোজ মায়োক্লরকই। থাগী খোঙকাপ লেপখিবগী থৌওংবু মেনোপোজ হায়না খঙনৈ। য়াম্না তোয়না থেংনবা মেনোপোজগী খুদমশিংদি হুমাং পাখৎপা, মপান থোকফম ইকং-কংশিল্লকপা, তোয়না ৱাখল হোংদুনা খোয়রাং খোয়শাউনরকপা অমসুং নুপা-নুপী লোয়ননিংবগী অপাম্বা হন্থরকপা অসিনচিংবনি।

মেনোপোজগী মতাংদা মীয়াম্না থোইদোক্লা থৌশানদবা ফিজিকেল অমসুং ইমোসনেলগী ওইবা খুদমশিংদি তাঙ-তাঙ চীকপা, মশল নাবা, কোক চীকপা, হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপা অমসুং অহিং তূম্বা য়াদবনচিংবনি।

থাগী খোঙকাপ খল্লমদাইদা তাঙ-তাঙ চীকপগা লোয়ননা লেংথোক-লেংশিন তৌবদা ৱানা থোকই। মেনোপোজ অরথ্রাইটিস হায়না খঙনবা থৌওং অসিনা খ্বাঙ, নিংজোল অমসুং খূউদা চৈনাখোল ফাওহল্লকই।

কনাগুম্বা নুপী খরদি মেনোপোজ নকশিল্লকপদা কা হেন্না কোক চীকপগী অৱাবা মায়োক্লরকই। ইখঙ খঙহৌদনা ইষ্ট্রোজেন হোর্মোনগী চাং হন্থখিবদগী খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপনি। ইষ্ট্রোজেন হন্থখিবগা লোয়ননা চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না মশল টিস্যু মাঙখিবা, পুন্সি মহিং, চাকচা-য়ুথক অমসুং হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা মরম্না মেনোপোজ মতমদা হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকই। মরুওইনা খ্বাঙ অমদি পুক্কী শরুকসু নোয়থোরকই।

ওভারিনা ইষ্ট্রোজেন অমসুং প্রোগেষ্টেরোন থাদোরকপগী চাং হন্থরকপা মরম্না মেনোপোজ নকশিল্লক্লবদি তূম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্নে। নুপী ওইবী অমগী পুন্সিদা মতম পুম্বগী ওইনা থাগী খোঙকাপ লেপখিবগী থৌওংবু মেনোপোজ নৎত্রগা ক্লাইমেক্টেরিক হায়না খঙনৈ। ওভারিদা মরূম অমত্তা লৈহৌদ্রবা মতমদা ফীভম অসি ওইহল্লকপনি।

ইষ্ট্রোজেননা নুপী ওইবীশিংবু হার্ট দিজিজদগী ঙাকথোকপনি। মেনোপোজ মতমদা ইষ্ট্রোজেনগী চাং হন্থখিবা মরম্না ঈদা য়াওবা ফেটকী চাং ৱাংখৎলকই। অহোংবা অসিনা মরম ওইরগা হায় ব্লদ প্রেসর, হায় কোলেষ্টারোল, ষ্ট্রোক অমদি হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

বোর্দ ওফ দ ইন্টরনেসনল মেনোপোজ সোসাইটিগী দিরেক্টর দুরু শাহনা হায়খি, মশাগী চহী ৪০ দগীনা ৫০ ফাওবা শুরবা মীওইশিংগী মরক্তদি নুপীদগী নুপানা হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংবা হেল্লি। অদুবু থাগী খোঙকাপ খমখ্রবা মতুংদদি নুপীশিংনা রিস্ক ৱাংবা হেল্লি।

হার্ট দিজিজগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরশিংদি ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা, ব্লদ কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলকপা, দাইবেটিস অমদি প্রি-দাইবেটিস, মৈখু শীজিন্নবা, কা হেন্না য়ু থকপা, হকচাংগী অরূম্বা নৎত্রগা অনোয়বা হেনবা, মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা, হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপা, ইমুং-মনুংগী ঈ মরীদা হার্টকী লায়না নাখিবা মীওই য়াওবা অমসুং অহল ওইশিল্লকপা অসিনচিংবনি।

অহল ওইশিল্লকপা অমসুং ইমুং-মনুংগী ওইবা ঈ মরীদা হার্ট দিজিজ নাবা য়াওখিবগী মতাংদদি করিসু তৌনিংঙাই লৈতে। অদুবু পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংহন্দবা, মৈখু শীজিন্নদবা অমসুং য়ু থক্তবদি ঈশা-ঈশাগী খুৎতা লৈবা থবক্লি।

চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা, পুক্লিং-ৱাখল চরাংনহনবা, মপুং ফানা পোথাবা, ব্লদ প্রেসর অমদি কোলেষ্টরোল ৱাংখৎহন্দবা অমসুং হকচাংগী অরূম্বা অমসুং অনোয়বা হেনগৎহন্দবা ঙম্লবদি থম্মোয়গী লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মী।

# স্কাই হোস্পিটাল পোরোমপাৎতা লেম্না হার্ট লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএন এস): স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসর্ছ সেন্তর রিমস রোদকী লমজিং মখাদা স্কাই হোস্পিটাল পোরোমপাৎতা নোংমগী ওইবা লেম্না হার্ট লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

স্কাই গ্রুপ ওফ হোস্পিটালগী চেয়রমেন অমদি মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসনগী ডা. এল শ্যামকিশ্বর অমদি স্কাই হোস্পিটালগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট হার্ট সর্জরি ডা. কেএসঐচ কালানা লুচিংদুনা কেম্প অদু পাঙথোকখি। মীওই ২২ রোমদা লেম্না ঈ সী জি লৌদুনা য়েংখি। মীওই ১৮ দা সুগর টেষ্ট তৌখি। হায়পরটেন্সনগী অনাবা মরি অমদি দাইবেটিসকী মীওই অহুমসু লেম্না লায়েংখি।

কেম্প অদুগা মরী লৈননা ডা. কেএসঐচ কালানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা থমোয়গী লায়না লৈবা য়াম্না লৈরি। মসিদা হান্না খঙবা ঙমহৌনবা অমদি মতম চানা লায়েংবা ঙমহৌনবগীদমক লেম্না হার্ট লায়েংবগী কেম্প অসি পাঙথোকপনি। পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংশিংদা থমোয়দা অহোবা লৈবা অমদি ফুনবনচিংবা য়াওবসু লৈ। ঈ চেনফম উতোংশিং মফম চানা লৈতবা কয়া অসি খঙদোকপা ঙম্নবগীদমক অসিগুম্বা কেম্প অসি পাঙথোকপনি। অঙাংশিংদা হার্টকী অনাবা মখল কয়া নাবা য়াই। মহিক মতাই কয়ানা চঙখ্রগা থমোয়গী শরুক্তা মথৌ তৌবা ঙমহন্দে। মদুনা খঙহৌদনা লৈখিদবসু য়াই।

চহী ৪০ শুরক্লবা মীওইশিংনা কোলেষ্টোরেল ৱাংবা, বি পি ৱাংবা, সুগরগী চাং ৱাংবনা হার্ট এটেক তৌরকপা য়াবগী ফিভম কয়া লৈরিবনি। মসিদগী ঙাকথোক- হৌনবা হোৎনবা অফবা ওইগনি। মীহুন কন্না চোংবা, থবাক নাবা, কোক তোয়না ঙাওবা, শ্বর হোনবা ৱাবনচিংবা তৌরক্লবদি অথুবদা ডোক্তর য়েংথোকহৌবা তঙায়ফদে। চুরুট বিরি য়ারিবমখৈ থক্লোয়দবনি। ৱাখল লাংতক্লবা য়ারিবমখৈ লৈতনবা হোৎনবীবা, বি পি ৱাংহন্দবা, সুগরগী চাং ৱাংহন্দবা ফৈ। নোংমগী মনুংদা পুংখায় অমত্তংদি ৱাকিং চৎপা ওইনসু শাজেল তৌবা ফৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ঐবু শীজিন্নবীয়ু মীংথোনবা সোর্ট ফিল্ম ফোঙখ্রে, দাইনা তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএন এস): ঈপাক ফিল্ম প্রদক্সন মণিপুরনা পুথোকপা অতেনবা ফিল্ম *ঐবু শীজিন্নবীয়ু* ঙসি হৌনবী মতুংইন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না ৱাংজিংদা লৈবা আই আর ঈ গ্রুপ ওফ ইন্সটিট্যুসনদা ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকখিবা মিষ্ট্রেস ৱর্ল্ড ৱাইদ ইন্টরনেসনল ২০১৭ দা মোষ্ট করেজিয়স ৱুমেন ওফ দি ইয়ার মীংথোল পীখ্রবা দাইনা ময়াংলম্বমসু তরাম্না ওক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। ফিল্ম ফোঙবা অমদি দাইনা ময়াংলম্বমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা দি আই পি আরগী দিরেক্তর মেঘচন্দ্র কোংবনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। আই আর ঈ গ্রুপ ওফ ইন্সটিট্যুসন ৱাংজিংগী প্রিন্সিপাল নারেংবম রজিবকুমারনা থৌরম মপু, ঈপাক ফিল্ম প্রদক্সন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম নোরেন, ফিল্ম মেকর ও সী মৈরা অমদি মিষ্ট্রেস ৱর্ল্ড ৱাইদ ইন্টরনেসনল দাইনা ময়াংলম্বমনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথোয়বা মীথুংলেন্না সোর্ট ফিল্ম অদু মীয়ামদা ফোঙদোকখি। মীনিট অহুম শাংবা মণিপুরী সোর্ট ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্তর রাকেস নাওরেমনি। স্তোরি কন্সেপনা ঐচ সুর্জকুমারনি। রাকেস নাওরেম, বিজ্যালক্সমি, মার্লিন হুইদ্রোম, প্রিয়াঙ্কা অমদি এম ওকেন্দ্রোনা শক্তম লাংলিবা ফিল্ম অসিগী কেমেরাদা নাগেন্দ্র, এদিটরনারোমি লমাবমনি।

ফিল্ম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা প্রদ্যুসর রাকেস নাওরেমনা ফোঙদোকখিবদা, মীওইবগী পুন্সিদা তঙায়ফদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং, চীং-পাৎ, তুরেলনচিংবা কয়া অমা মহৌশা লাইরেম্বীনা ঐখোয়গীদমক পীরম্মী। ঙসিদি হায়রিবশিং অসি মীওইবনা চেকশিন্দবা, থওই ৱাওইদবদগী নোংমা নোংমগী শীজিন্নবা য়াদ্রবা অমা ওইরক্তুনা মোৎশিল্লক্লি। তুরেল কয়াদা ফত্ত-হাওদি, অমোৎ অকায় লংথদুনা তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নবা য়াদবা ফিভমদা লৈ। মসিদগী ঐখোয়না চীং, পাৎ, তুরেলশিং অসি কন্নবগীদমক অমোৎ, অকায় ফত্ত-হাওদিশিং তুরেলশিংদা লংথদুনা মোৎশিল্লক্লিবা কয়া অসিদগী কন্নবগী ৱাখল্লোন মীয়ামদা পাউজেল পীবা ওইনা ফিল্ম অসি পুথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি। মিষ্ট্রেস ৱর্ল্ড ৱাইদ ইন্টরনেসনলদা মোষ্ট করেজিয়স ইয়ারগী মীংথোন ফঙলকখ্রবী দাইনা ময়াংলম্বমদসু সোল অমদি সাইতেসন পীদুনা ইকায়খুম্নখি।

# রোহিঙ্গাশিং চঙলক্তনবা বোর্দর এরিয়াদা নীংথিনা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপীয়ু: তোম্বী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২০ (ঐচএন এস): ম্যানমারদা রোহিঙ্গাশিংগী ওইবা অচৌবা ঈরাং অমা থোক্লিবা অসিদা থংনরিবা মণিপুরদা চঙলক্তনবগীদমক বোর্দরদা নীংথিনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না শিব সেনা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপুরাদা লৈবা শিব সেনা মণিপুরগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এম তোম্বীনা হায়খি, ম্যানমারদা হৌজিক থোক্লিবা রোহিঙ্গাগী ইস্যু অসিদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙবা, মীহাৎ মীপুন কয়া চথরিবা অসিবুদি নুংঙাইতবা ফাওই। অদুবু ম্যানমারগা য়ুমথংননা লৈরিবা লমদম অসিদা রোহিঙ্গাশিং অসি চঙশিল্লক্তনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু চেকশিন্না য়েংশিনবীবা তঙায়ফদে। রোহিঙ্গাশিং অসি ঐখোয়গা শক-চুসু য়াম্না মান্নবা মরম্না য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিলহৌবা তঙায়ফদে। মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা নীংথিনা চেকশিনহৌবগী তঙায়ফদবা লৈ। ইনফ্লক্সকী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা মণিপুরদা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা চুমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এম তোম্বীনা মখা তারদুনা হায়খি, নাগাগী পীছ তোক চথরক্লিবা অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা য়াবগী মতাংদা নাগালেন্দগী গভর্নরনা ৱাফম অমা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। নাগাগী পীছ তোক চথরকপগা লোয়ননা ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা অতৈ কাঙলুপশিংগী সেন্তিমেন্ট শোকপা থবক পায়খৎলকপা য়ারোই। ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা কাঙলুপ অমখক্কী ওইবা ইন্টরেষ্টতা থবক তৌরক্লবদি চপ চানা থেংনগনি। অদুগুম্বা ফিভম অদু লাক্লবদি সেন্তরদা বি জে পিগা শিব সেনাগা পুন্না চৎমিন্নরবসু মণিপুরদদি এল্লাইয়েন্সতগী তোক্লকপগী ফিভম লাক্কনি। ইরমদম হান্না কনবা তাই। ইরমদম লৈতনা পোলিটিক্স তৌবা য়ারোই। ইরমদম কনবনা খ্বায়দগী মরুওইবনি। হীরম অসিগী মতাংদা শিব সেনা মণিপুরনা চপ চানা লেপকনি। শিব সেনা হায়বসি মীয়ামগা চৎমিন্নবা অমদি মীয়ামগীদমক থবক তৌবা পার্টি অমনি। মীয়ামগী ওইবা ৱাখল্লোনশিংদা শিব সেনানা পুন্না চৎমিন্নগনি।

সেন্তরদা পাল্লিবা এন দি এ গভর্নমেন্ট অমদি মণিপুরদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক অফবা তৌরকপদদি মতেঙ পাঙগনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা পুল্লগা শেম্বা লৈঙাক্লি। মসিগী কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম লৈফম থোকই। কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম অমা শেম্বীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাংলদুনা শিব সেনা মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ইন্দ্রকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ২৪, নোংমাইজিং নুমিৎতা শিব সেনা মণিপুরগী থৌমীশিংনা ইমা কৈথেল শেংবগী থবক পায়খৎলগনি। জন নেতা ইরাবতকী থাবুম মনুংদা লূ-নান্না শীৎ শেংবগী থবক অসি পায়খৎকদবনি। নুমিৎ অসিদা ইমা কৈথেলগী অকোয়বদা শীৎ শেংবগী থবক চথগনি হায়নসু মখা তাখি।



HL-P/2553/5,9,13,17,21,25,29 Sep& 3,6 Oct.